# কুমজা ১৯৮২দা মণিপুরদগী ইহান হানবা ভেটরান শান্নরোয় ওইনা মোমোননে, তোম্বীমচানে, ঐনে হোং কোংদা চৎখি


ঐচ যমুনা দেবী
(ভেটরান প্লেয়র)



(ঙরাংগী মখা)

মতম কুইনা শান্নবা লেপ্লুরবা মতুংদা, ভেটরানগী ওইনা অমুক হন্না শান্নবা ফঙলগনি হায়দুনা ইরকপা মীৎকুপ্তু ইশাদা ওন্থোক্লা নুংঙাইজখি। পুন্সিসিদা অদুগুম্বা মতম অমা অমুক হন্না লাক্কনি হায়বসি ঐগী ওইনদি শুকখন খল্লুদ্রবনি। অদুবু পুন্সি হায়বসি তম্বা ঙম্বা নত্তে। ঐনা ওইহন্নিংবা কয়া ওইবা ঙমখিদবা, খল্লুদবশিংসু অদুম ওইরকপা অদুগুম্বসু কয়া অমা য়াওখি।

কুমজা ১৯৮২দা হোং কোংদা মণিপুরদগী ঐখোয় অহুম এন মোমোন, এ তোম্বীমচা, ঐহাক্না চৎচখিবদু লোইনম মেদল পুরগা হঞ্জরকখি। মদুগী খোঙচৎতুদা নিংথৌজম মোমোননা মাগী ৱেথ কেটগোরিদা সনাগী মেদল অহুম সোট-পুটনে, দিস্কসনে, জেভলিননে স্পোর্টস ইভেন্টশিং অসিদা লৌরকখি। ঐহাকসু ঐগী ৱেথ কালুপ্তা হায়রিবা ইভেন্টশিং অসিদা সনাগী মেদল অহুম ফঙজরকখি। এ তোম্বীমচানা লুপাগী মেদল অহুম লৌরকখি।

অমরোমদা, হোং কোংদা কুমজা ১৯৮২দা চৎচখিবদু ঐগী ওইনদি ইন্দিয়াগী মপান্দা চৎপা ইহান হানবা খোঙচৎ অমনি। অহানবা ওইনা চৎচবা খোঙচৎ অদুদা পুক্নিংদা ফাওজখিবা অদুদি ওন্থোক্লা য়ামখ্রে। হেক উরুবা, য়েংলুবা খুদিং অঙকপগী অঙকপা ঙাক্তনি। পুক্নিংগসি ইরাং লাংখি। অহানবা ওইনা ঐগী ৱাখলসিদা ফাওজখিবদি, ঐসে শান্নরোয় ওইরমদ্রবদি ঙসি ঐনা উজরিবশিংসে অমত্তা উবা ফঙলম্লোই। শান্নোয় হায়বদু ওইজরুবনা পুন্নমক উবা ফঙলিবনি। ঐসে কয়াদা লাইবক ফখ্রবা! শেল ফনা য়াম্না লৈদুনসু খোঙবু অমা চাদ্রবদি ইরাই লায়না হেক্তা চৎপা য়াবসু নত্তে। শান্নরোয় হায়বদু ওইজরুবনা কয়াদা নুংঙাইনা য়ৌরকখ্রবা। অদুগা অমুকসু ইমা লৈবাক ইরমদমগীদমক থাপ্লবা মীরমদা শান্নবা ফঙলে খঞ্জরুরগা



পঙনুংদা নুংঙাইজখি। পুক্নিং-ৱাখল ফ্রি ওইনা নুংঙাইনা শান্নজবা ঙল্লবনিনা মেদলসু পুরকপা ঙমজখি। চৎলিবা খোঙচৎতুদা ঐখোয় নুংঙাইনা তোংলগা চৎখি। পুক্নিং-ৱাখল ৱারম্বগদু লোইনা ফখি। কান্নদবদা পঙখন্দা খনজিন্দুনা ইশাবু ৱাহনখিবদু কোন্নদি ওন্থোকপনিদা

## রত্নেশ্বরি গোশ্বামী
অকাউ পরৈ চল্লুরবশিং

বেঙ্কোক্তা অহিং অমা লৈজরকখি। অদুগা ইশাগী ওইনা কাউঙমদ্রবা ৱারী অমা হায়জবা তারগদি, ঐখোয়সি বেঙ্কোক্কী সমুদ্র মনুংদা শেম্বা অচৌবা টনেল অমদা বস তোঙদুনা শাংনা চৎপা খোঙচৎ অমা য়াওখি। মদুদা ঐহাকসি নুংশাথিবা অমা কন্না পোকখি। ঐগী ৱাখলদা ঐখোয়না চৎলিবা টনেলসি করিগুম্বা য়ুরক্লবদি কমদৌগনি? ঈশিং অচৌবা, ঈরৈ অমদা ঐখোয়সি অদুম চেন্থখিবা তাবনি অসুম্না পঙখন্দা খঞ্জিল্লুবদা মীহুনগা অমত্তা য়াওখিদে। টনেলদু লান্থোকপা লোইবা ঙাইবদা তশেংনা পুক্নিং ৱাবা হায়বদু ওইখি।অদুগদি ইরেনজনা টনেলদু হেক লান্থোকপগা বসতু খাল্লবা মতুংদা ঐখোয় ফেরি অমদা খল্লকখি। হোং কোংদা ঐনা য়াম্না নুংঙাইজখিবসিদি মার্কেটিং তৌবদনি। পোৎ-চৈগী মমলসু য়াম্না হোংই। ফি-রোল, লিক-কোল, ঘড়িনচিংবা য়াম্না হোংই। পোৎ-চৈ লৈদুনা মথং মথং সুম লাকপদা, কৈথেলগী ময়াইৱাইদা পঞ্জাবী নুপা অমা ঙা ফজনা থোংলগা, চেঙ মচঙ অশাংবা বাসমতি মওংগী চেঙসি চাক থোঙলগা লৈরম্বগী ৱানী। মদু হেক উবদা চাকসি খঙলাম লাল্লকখি। মফমদুদা চঙলগা ঐখোয় য়াম্না হাওনসু চাক চাজরকখি। অদুমদি তশেংনা নুংঙাইখি। অদুমহায়না ইনিদয়া মচানা হোং কোংদা লৈরমগনি হায়বসিসু খল্লুদে। অসুম্না অহানবা ওইনা চৎচখিবা খোঙচৎতু কাউবা ঙমদে। তশেংনা, নুংঙাইবা খোঙচৎ অমা হায়বদু ওইখি।

মসিগী মতুং, কুমজা ১৯৮৪ অসিদসু ঐহাক অমুক হান্ন হোং কোংদা 'ইন্টর্নেসনল ভেটরান ট্রেক এন্দ ফিল্ড মীট' য়াওবা চৎচখি। মদুদদি ঐহাক সনাগী মেদল অমগা লুপাগী মেদল অহুমগা লৌজরকপা ঙমজখি। ঐহাক্না মেদল লৌরকখিবা মশান্নশিং অদুদি মথংশীৎনা জেভলিন (গোল্ড), সোট-পুট, দিস্কস, লোঙ-জম্প (সিলভর অহুম) নি। ঐঙোন্দা নুংঙাইজবা অমদি পীক্লিঙৈ মতমদা হকচাং-শাজেল খরা তৌজরকখিবা, তোঙান-তোঙানবা স্পোর্টস ইভেন্ট খরদা শান্নজরকখিবা অদুনা ভেটরান প্লেয়র ওইনা নৌনা মায় ওনশিল্লকপদা য়াম্না কান্নবা ফঙখি। ৱার্মিংমত্তা তৌরবসু, এক্সরসাইজমত্তা শান্নরবসু, হান্না স্পোর্টস হায়বদু খরা তৌজরকপনিনা ফোর্ম তাবসু হেক্তা ঙমজখি। কুমজা ১৯৮২ অসিদগী মতম ফনা শাংনা ঐহাক ভেটরানগী শান্নরোয় ওইনা লৈজরকখি। মথং..মথং...

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ১০৪

১) ওলিম্পিক্কী ৱাটর পোলোদা ক্লব অমনা গ্রেট বৃটেনগী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়াখিবদা সনাগী মেদল ফংখি। ক্লব অদুগী মমিং পীয়ু।

২) কুমজা ১৯৫৪দা ইম্ফালদা পাঙথোকখিবা অচৌবা স্পোর্টস অমদা মণিপুরগী ক্লবশিংনা শরুক য়াখি। অয়াম্বা ক্লবশিংদি মমিং ওন্থোক্লগা শরুক য়াখি। মখোয়গী মরক্তা রুপমহল থিয়েটর ক্লবসু অমনি। করম্বা ক্লবকী মহুত্তা থিয়েটর অসিগী মমিং শিজিন্নখিবগে?

৩) করম্বা চহীদগী অসামনা রঙ্গাস্বামী কপ (Rangaswami Cup)তা শরুক য়াখিবগে?

৪) কুমজা ১৯৮৭তা ওল মণিপুর স্পোর্টস এসোসিএসনগী প্রসিদেন্টকনানা ওইখিবগে?

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? →



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্টোবর ১৫, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## ৱর্ল্ড নম্বর ১ নোবাক জোকোবিসনা জপান ওপন টেন্নিস চেম্পিয়নশিপকী টাইটল লৌখ্রে



টোকিও, ওক্টোবর ০৬(এজেন্সী)ঃ

জপানগী কোনুং টোকিওদা লৈবা অরিয়াকে কোলিসিয়মদা সেপ্টেম্বর ৩০দগী শান্নখিবা ৪৬রক শুবা জপান ওপন টেন্নিস চেম্পিয়শিপকী নুপাগী সিঙ্গলস টাইল অদু ৱর্ল্ড নম্বর ১ ওইরিবা সর্ভিয়াগী নোবাক জোকোবিসনা লৌখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচতা জোকোবিসনা ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোয় জোন মিলমেনগা লম্বা তৌনখিবনি। পনবা য়াই, জেকোবিসনা সেমি ফাইনেলদা বেলজিয়মগী দেবিদ গোফিনবু ৬-৩, ৬-৪দা মায়থীবা পীরমখি। অমরোমদা, মিলমেননা মহাক্কী সেমি ফাইনেলদা য়ু এস এগী রাইলি ওপেলকাবু ৬-৩, ৭-৬ (৭-৪)দা থোইরম্বনি।

ফাইনেল মেচ অদুগী অয়াম্বা মতমদা জোকোবিনা মিলমেনদগী ফজবা হেনখি। অহানবা সেট অদুদা মিলমেনগী সার্ভিস ব্রেক অমা তৌদুনা ৬-৩দা থোইখি। মদুগী মতুং অনীশুবা সেটতা মখা তানা ফজবা ঙম্বদগী ওষ্ট্রেলিয়াগী জোন মিনমেনগী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬-২দা থোইরগা টাইটল অদু লৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসতা ২শুবা সিদেদ ফ্রান্সকী নিকোলাস মাহুত অমসুং ই রোজর বেসেলিননা ক্রোসিয়াগী এন মেকতিক অমদি এফ স্কুগোরবু ৭-৬ (৯-৭), ৬-৪দা থোইরগা টাইটল ফংখি।

## ইন্দিয়াগী বোক্সর লাইশ্রম সরিতা ৱর্ল্ড ৱুমেন্স বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ্তা মায়থীহৌরে, নন্দিনিসু মায়পাকখিদ্রে



উলান উদে, ওক্টোবর ০৬(এজেন্সী):

রসিয়াগী সিটি উলান উদেদা পাঙথোকপা ৱর্ল্ড ৱুমেন্স বোক্সিং চেম্পিয়নশিপকী কিলোগ্রাম ৬০গী কেটগরিদা ইন্দিয়াগী বোক্সর লাইশ্রম সরিতা মায়থীহৌরে। কিলোগ্রাম ৮১গী কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা বোক্সর নন্দিনিসু মায়পাকপা ঙমখিদ্রে।

কিলোগ্রাম ৬০গী কাংলুপ্তা ৪শুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়াখিবী কুমজা ২০০৬কী ন্যু দিল্লি ৱর্ল্ড ৱুমেন্স বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ্তা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখিদবনি। মদুতা নত্তনা সরিতানা এসিয়াগী গোল্ড মেদল কয়াসু ফংবা ঙমখ্রবনি। মহাক্না রসিয়াগী ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ অসিদা অহানবা রাউন্দ বাই ফংলবা মতুং অনীশুবা রাউন্দদা চেম্পিয়নশিপ অসিগী য়ুম্বু লৈবাক রসিয়াগী বোক্সর নটালিয়া শাদ্রিনাগা লম্বা তৌনখি। সরিতা চহী ১০ হেল্লবা মতুং মখাতাবা ৱর্ল্ড বোক্সিংগী মেদল ফংনবা হোৎনরকপনি।

বাউট অদুগী অহানবা রাউন্দ অদুগী মিনট অহুমগী লম্বা অদুদা য়াম্না ফজনা মহাক্কী ওপোনেন্ট অদুগী মায়োক্তা এটেক্ট চত্থবা ঙমখি। বাউট অদুগী মখাতানবা রাউন্দ অনীদা রসিয়াগী বোক্সর অদুনা য়াম্না কন্না হোৎনদুনা সরিতাবু লম্বা পীরকখি। অদুবু বাউট অদুগী জজ মঙানা পীখিবা পোইন্টশিং অদু রসিয়াগী বোক্সর অদুদা হেনখিদুনা ০-৫দা সরিতা মায়থীহৌখি।

নীংশিংবা য়াই, চথুরিবা ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ অসিদা ইনিদয়াগী বোক্সর অমসু য়াম্না ফজনা শান্নরবা মতুং মায়োক্লবা বোক্সরনা পোইন্ট হেনখিবগী মতাংদা ইন্দিয়াগী ওফিসলশিংনা কমপ্লেন তৌবা লৈখ্রবনি।

সরিতা ইন্টর্নেসনল বোক্সিং এসোসিএসনগী অহানবা এথলিটস কমিসনগী মেম্বর ওইনা মীরেপ ওইদুনা রসিয়াগী চেম্পিয়নশিপ অসি লোয়শিল্লকপদা মেম্বরশিং লাওথোক্কদৌরিবনি।

লাইশ্রম সরিতা অনীশুবা রাউন্দদা মায়থীহৌরবা মতুং ঙসি ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী কিলোগ্রাম ৮১গী কেটগরিদী নন্দিনিনা জর্মনিগী বোক্সর ইরিনা নিকোলেটা স্কোনবজ'রগা অনীশুবা রাউন্দ লম্বা তৌনখি। হায়রিবা বাউট অদুদা জর্মনিগী বোক্সর অদুনা য়াম্না হেনখিবা মরম্না জজ মঙামক্না পোইন্ট খুদিংমক ইরিনাদা পীখিদুনা নন্দিনি ০-৫দা মায়থীহৌখি।

চথুরিবা ৱুমেন্স ৱর্ল্ড বোক্সিং অসিদা ইন্দিয়াগী জমুনা বোরো (কিলোগ্রাম ৫৪) অমসুং সাৱিতি বোরা (কিলোগ্রাম ৭৫)দা মায়পাক্তুনা প্রিক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রবনি।

## ভিসাখাপটনমগী অহানবা টেষ্ট মেচতা ইন্দিয়ানা সাউথ অফ্রিকাবু রন ২০৩দা চাওনা মায় পাকপা ঙমখ্রে




বিসাখাপটনম, ওক্টোবর ০৬(এজেন্সী):

অন্ধ্রা প্রদেশকী সিটি বিসাখাপটনমদা লৈবা ডা. ৱাই এস রাজাসেখরা রেদি এ সি এ - ভি দি এ সি এ ক্রিকেট ষ্টেদিমদা থা অসিগী ২দগী ইন্দিয়া অমসুং সাউথ অফ্রিকানা লম্বা তৌনখিবা অহানবা টেষ্ট মেচ অদু ঙসি ইন্দিয়ানা য়াম্না হেন্দুনা রন ২০৩দা মায়থীবা পীবা ঙমখ্রে।

মেচ অদুগী টোস ইন্দিয়ানা ঙমদুনা বেটিং হান্না তৌখি। মদুদা ওপনর ময়াঙ্ক অগরৱাল অমসুং রোহিত শর্ম্মনা য়াম্না ফজবা অহানবা ৱিকেট পার্টনসিপ্তা রন ৩১৭ লৌখি। রোহিত শর্ম্মনা রন ১৭৬ অদুগা ময়াঙ্ক অগরৱালনা রন ২১৫ লৌখি। ইন্দিয়াগী ইনিংস অদু ৱিকেট ৭ তুরগা রন ৫০২ য়ৌরকপদা দিক্লেয়ার তৌখি।

সাউথ অফ্রিকানা ইন্দিয়াবু নিংথিনা পাউখুম পীরকখি। মখোয়গী অহানবা ইনিংসতা পুন্না রন ৪৩১ লৌবা ঙমখি। ওপনর দোন এলগর রন ১৬০ লৌখি। ৭শুবা বেটচমেন ক্যুইটোন দিকোক রন ১১১ অমসুং কেপ্টেন ফাপ দুপ্লেসেস রন ৫৫ লৌরমখি। সাউথ অফ্রিকাগী ইনিংস অদু ইন্দিয়াগী স্পিনর রবিচন্দ্রন অস্বিননা ৱিকেট ৭ লৌদুনা ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী ফজবা বোলর ওইখি।

ইন্দিয়াগী অনীশুবা ইনিংসতা সাউথ অফ্রিকাদগী রন ৭১ হেন্দুনা শান্নবা হৌরকখি। রোহিত শর্ম্ম অমুক হন্না ফজবা ঙমখি। মহাক রন ১২৭ লৌখি। মদুদা সিক্স ৭ অমসুং ফোর ১০ য়ৈখি। জিতেশ্বর পুজারানা ইনিদয়াগী ৱিকেট কন্দুনা ময়াঙ্ক অগরৱাল রন ৭তা ঙন্না আউট ওইখিবা অদুগী মহুৎ শীনখি।

রোহিত শর্ম্মগা মহাক্কা সাউথ অফ্রিকাবু বোলরশিং অদুবু নীংথিনা মায়োক্নদুনা শান্নবা ঙমখি। পুজারানা পুন্না অনীশুবা ইনিংস অদুদা রন ৮১ লৌখি। ইন্দিয়াগী বেটিং লাইন অপ অদু খরা শেমদোক্নুনা রবিন্দ্রা জাদেজা ঙন্না থাদোরকখি। মহাক্না শুপ্নগী বোল ৩২দা সিক্স ৩ য়াওরগা রন ৪০ লৌখি।

ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ভিরাট কোলি বোল ২৫দা রন ৩১ লৌখি। লোয়ননা অজিনকিয়া রহানেসু বোল ১৭তা রন ২৭ লৌরগা ৱিকেট ৪ তুখ্রবা মতুং রন ৩২৩দা অমুক্কা হন্না দিক্লেয়ার তৌখি।

সাউথ অফ্রিকানা মেচ অদু মায় পাক্নবা মখোয়গী অনীশুবা ইনিংসতা রন ৩৭৫গী টার্গেট য়ৌনবা শান্নরকখি। মখোয়গী অহানবা ইনিংসতা সেঞ্চুরি লৌখিবা দোন এলগর শুপ্নগী রন ২দা আউট ওইখি। মহাক্কী মহুৎ শীনখিবা থেনিস দি ব্রুন রন ১০দা আউট ওইখ্রবা মতুং নৌনা চঙলকখিবা টেম্বা বাবুমা ইন্দিয়াগী পেচ বোলর মহম্মদ সামিনা রন অমত্তা লৌহন্দনা আউট তাহনখি।

মতম অদুদা সাউথ অফ্রিকাগী ইনিংস অদু রন ২০ খক ঙাইরিঙৈদা ৱিকেট ৩ তুখি। কেপ্টেন ফাবদু প্লেসেস রন ১৩দা সামিনা আউট তাহনখি। মহাক্কী মহুৎ শীনখিবা অহানবা ইনিংসতা সেঞ্চুরি লৌখিবা কুইটন দিকোকসু রন অমত্তা লৌহন্দনা আউট তাহনখিবদগী সাউথ অফ্রিকাগী ফিভম য়াম্না শোক্তুনা রন ৬০ খক্তা ৱিকেট ৫ তুখি। সেনুরননা রন ৪৯ লৌরম্বা অমসু দেন পেটনা রন ৫৬ লৌরবসু অপুনবা রন ১৭১দা আউল আউট তাখিবদগী ইন্দিয়ানা রন ২০৩দা মেচ অদু থোইখি।

## নাওমি ওসাকা অমসুং দোমিনিক থিয়েমনা চাইনা ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপী অমসুং নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল লৌবা ঙমখ্রে





বৈজিং, ওক্টোবর ০৬(এজেন্সী)ঃ

চাইনানা য়ুম্বু ওইদুনা লৈবাক অদুগী কোনুং বৈজিংদা পাঙথোকপা য়ু এস দোল্লর ৮,২৮৫,২৭৪গী শেলগী মনা লৈবা দব্লীয়ু টি এ অমসুং এ টি পিগী য়ু এস দোল্লর ৩,৬৬৬,২৭৫কী শেলগী মনা লৈবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচশিংদা জপানগী নাওমি ওসাকনা নুপীগী টাইটল লৌখ্রে। অদুগা ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়মনা নুপাগী মকোক ওইখ্রে।

নাওমি ওসাকানা ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচতা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান শান্নরোয় ওষ্ট্রেলিয়াগী এসলি বার্টিবু মায়থীবা পীখিবনি। ওসাকানা মহাক্কী সেমীফাইনেলদা দেনমার্ক্কী কেরোলিন ৱাজনিয়াকীবু ৬-৪, ৬-২দা থোইরমখি। অদুগা এসলি বার্টিন নেদরলেন্দসকী কিকি বার্টেন্সপু মায়থীবা পীখি।

ঙসিগী ফাইনেল মেচ অদুগী অহানবা সেট অদু ওষ্ট্রেলিয়াগী বার্টিনা ওসাকাগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬-৩দা থোইখি। মদুগী মতুং অনীশুবা সেটতা ওসাকানা য়াম্না ফজনা ফুগৎতুনা বার্টিবু ৬-৩দা থোইদুনা দিসাইদিং সেট শান্নরকপদা ওসাকানা বার্টিগী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌবা ঙমদুনা ৬-২দা থোইরগা নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল লৌবা ঙমখিবনি।

নুপাগী সিঙ্গলস কাংলুপ্তা টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বর ৱান শান্নরোয় ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়ম অমসুং গ্রিসকী টুর্নামেন্ট অসিগী ৩শুবা সিদেদ শান্নরোয় ষ্টিপানোস সিসিপাসকা লম্বা ফাইনেল লম্বা তৌনখি।

দোমিনিকপু ফাইনেল মেচ অদুগী অহানবা সেট অদু ষ্টিপানোসনা ৬-৩দা থোইদুনা মাংজিল থাবা ঙমখ্রবসু অনীশুবা অমসুং অহুশুবা সেটতা দোমিনিক থিয়মনা ৬-৪, ৬-১দা থোইদুনা নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল অদু লৌবা ঙমখি।

## ৱর্ল্ড জুনিয়র মিক্স টিম বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপকী ফাইনেলদা চাইনাবু থোইদুনা ইন্দোনেসিয়ানা মকোক ওইখ্রে




কজান, ওক্টোবর ০৬(এজেন্সী)ঃ

রসিয়াগী সিটি কজানদা লৈবা কজান গিম্নাষ্টিক সেন্টরদা মমাং থাগী ৩০দগী হৌখিবা ২১রকশুবা ৱর্ল্ড জুনিয়র বেদমিন্টনগী মিক্স টিম চেম্পিয়নশিপকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ফাইনেল মেচতা চাইনাবু ইন্দোনেসিয়ানা মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

ফাইনেল অদুগী অহানবা মেচ অদু মিক্স দবলসকী লম্বা ওইখি। মদুদা ইন্দোনেসিয়াগী দেনিয়ল মার্টিন অমসুং ইন্দা সারিজমিলনা চাইনাগী ফেং য়াংজৈ অমসুং লিন ফনগ্লিংগা লম্বা তৌনরকপদা ২১-১৮, ১৮-২১, ২১-১১দা থোইদুনা ইন্দোনেসিয়না ১-০দা মাংজিল থাখি।

অনীশুবা মেচ ওইনা নুপীগী সিঙ্গলস লম্বা তৌনবদা ইন্দোনেসিয়াগী পুত্রি কুসুমানা চাইনাগী ঝৌ মেংবু ২১-১৮, ২০-২২, ২১-১৪দা থোইদুনা ২-০দা ফাইনেল অদু মাংজিল থাবা ঙমখি।

নুপাগী সিঙ্গলস অদুনা অহুমশুবা মেচ ওইখি। মদুদা চাইনাগী লিয়ু লিয়াংনা ইন্দোনেসিয়গী বোবি সেতিয়াবুদিবু ২১-১৭, ১৭-২১, ২২-২০দা থোইরগা ২-১দা চাইনা শোথদুনা লৈখি। মরিশুবা মেচ অদু নুপাগী দবলসকী ওইখি। মদুদা ইন্দোনেসিয়াগী ফেবিয়ানা কুসুমা অমসুং পুত্রি সাইকাগী পেয়রনা চাইনাগী লি য়িজিং অমসুং টান নিনগা লম্বা তৌনরকপদা অহানবা গেম অদু চাইনানা ২১-১৬দা থোইখি। অদুবু ২শুবা গেমদা ইন্দোনেসিয়ানা ২৫-২৩দা থোইরগা দিসাইদিং গেম অদুসু মখোয়না ২১-১৩দা থোইদুনা ৩-১দা মায় পাক্লগা টাইযল লৌখি।